HUEIYEN LANPAO

[illegible]

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ১৯, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ১৭৫শুবা মশীং

# খূবাক অনীনা খুবা ঙম্লগদ্রা

## নাম্মতা খুবনা য়াখিরোই

থা ৪ হেঞ্জিল্লক্লবা তমথীরবা লানসিগী ৱারোইশিন কনা-কনানা করম্বা ফীভমদা করম্বা মতমদা পুরক্কদগে? ৱাহংসি লান অসিবু হৌরকখিবা কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিং, মখোয়বু মথৌ শঙলিবা মখোয়গী এম এল এ ১০, ফৈগাক ফৈনা লেপ্লিবা ফূরুপ মচা-মচাশিং অসিগী মীয়াম্না ফোংনা চোংথোক্তুনা হংলক্ত্রবসু মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দদি হংলম্লগনি। মরমদি থা ৪ হেন্না মখোয়না চত্থরক্লিবা লানসিগী অরোইবা লাইবক শোয়দনা খঙনীংলমগনি। মায়থীগদবা ওইরগনা লান অসি হেন্না কনশিল্লকপা য়াই নৎত্রগা অতোপ্পা লাল্লোং অমা হোংদোকখিবসু য়ারিবনি। অকনবা লান চত্থরক্লিবা মখোয়না খঙনীংবগুম্না লান অসি ঙাকথোক্তুনা মণিপুর মচেৎ তাবা য়ারোই হায়রিবা মীতৈশিংনসু লানসিগী পোলোই-পন্থুং খঙনীংবা হায়বসি মশানা তাবনি। মরম অসিনা অহানবদা লান অসিবু হকথেংননা মায়োক্নরিবা মণিপুর লৈঙাক্না ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম থবক্কা লোয়ননা লান শোক্নরিবা নাকল অনীমক্তা পীগদবনি। মণিপুর লৈঙাক খক্তুনা পীবা ঙমদ্রগনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা খূৎশম্ননা পীমিন্নগদবনি। অদুগা থবক্কা লোয়নবা পাউখুমদি য়ারিবা মখৈসু পন্থদনা, থুনা পীননবা হোৎনগদবনি। মস্বাইসি য়ৌরকপদদি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লান শোক্নরিবা নাকল অনীগী মীওইশিংবু নাম্মা-নাম্মতগী ওইনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱারী শাবনা লানসিগী তমথীবা মতৌ খরা পাথহন্দুনা শাফহনবদি য়াই। লান লেপহনবদি ঙম্লোই। মসিমক্নসু ঙসি থা ৪ হেল্লক্লবা ফাওবদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি।

হোয়, বঙ্কর থুগাইবা, তোয়না খূৎ থোক্নফমদা সিক্যুরিটি থমজিনবা, নোংমৈ, বোম ফাগৎপগী থবকপুদি থেবদৌনা নৎত্রবসু থেঙ্গুদৌনা ওইরবসু পায়খৎলক্লি। মীয়াম্না লৌথোকউ হায়বা বেরিকেদশিং লৌথোক্লি। চ্যেক পোষ্ট কয়া হাংদোক্তুনা চেকশিন থৌরাংবুদি লৌখৎলি। নুপী অমসুং নুপা নহা কয়ানা হৌরক্তুনা মমৈ থেক্লকপদগী কুন্দুনা লৈবা য়ারক্তদনা দেল্লীদা ফাওবা পাইশিন্নরিবনি। হোৎনরক্লিবা পূম্নমকসি তৌদবা য়াদবা মথৌ তাবা ঙাক্তনি। নাম্মা হায়রিঙৈদা য়াদ্রগা পোৎ’মা থোনগৎলগা চৎলবা ফাওবদা ফৈ। অদুবু লান অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱাতুপ্নবা ৱারোইশিন অমগীদি নাকল অনীগী থৌদাং পুবা ঙম্বা মীহুৎশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানগদবনি হায়বসি কাউথোক্লোইদবনি। হোম মিনিষ্টর খক্তমক উনবগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্কা হকথেংননা উনবগী তঙাইফদবা লৈ। প্রাইম মিনিষ্টরগী লেভেলদা নাকল অনীগী মীহুৎশিং য়াওনা পূন্না ৱারী শানগদবনি। কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মাঙজিল থাদুনা চত্থরক্লিবা লান অসি অরানবা, ওইরোইদবা অমসুং হৌরকফম থোক্তবা লাননি হায়দুনা হেক্তা হায়রুরবসু য়াখিরোই। লান হৌরকপগী লৈরিবা মরম ময়ামসি অমমমতা ওইনা লৌখৎলগা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লান হৌরকপগী মরমশিং অদুগী মনুংদা খন্নবা য়াবসু য়াওরমগনি, খন্নফম থোক্তবসু য়াওরমগনি। অদুবু মতম চূপ্পগী ওইনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগীদমক্তদি নাকল অনীগী মীহুৎশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানগদবনি। মসি ওইথোকপা য়ানবা লম্বী মণিপুর লৈঙাক্না শেমগদবনি। তঙাইফদ্রবদি পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অসি মতম খরা এনিমেটেদ সস্পেন্সনদা থম্বসু য়াই। লৈঙাকসি মতম খরা অদুম্মাইনা থম্বগী মাঙজবদুগা মণিপুরগী অপূনবা ঙমখৈগী শরুক কায়হন্দবগা করম্বনা মমল য়ামগদগে? ৱাহংসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশানসু ওনশিন্দুনা হংজবগী মতম হেন্দোরক্লবনি। লান লেপহনবগা লৈঙাক য়োকপগগী মরক্তা মন্তিক্নরক্লবদি কৈদৌনি? য়ারিবমখৈ খূবাক অনী চঙদুনা খুনবা হোৎনৌ। মদুনা মখোলসু থোক্কনি, লানসু লোইনি।

[illegible]

# তোখায় তাবগী মায় পাক্ত্রবা লান

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৮২

জিতেন নামৈরাকপম

"The Meiteis are my Brother, I have forgiven the Black Sheep amongst them." প্রিম ৱাইফৈগী ওইবা মশাগী মতনি। মহাক্কী ৱাঙাঙনি। ন্যু লম্বুলেন্দা লৈরম্বা কুকিশিংগী চর্চ লিদর, স্প্রিচুএল লিদর রেভরেন্দ ৱাইফৈনা ‘দি ৱায়র’ গী হোষ্ট কারন থাপরনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মশামক থারগা কুকি কুনমরি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নম্ফুদা ইম্ফালদগী পুথোকপীখিবগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১গী নোংঙাল্লমদাইদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফালদগী নম্পুদা লৌথোকপীরগা মোটবুং তম্না পুরগা রিলিফ কেম্পদা থমজিনবীবা অদু মহাক মশানা শুংয়া য়াজনীংখিদে। ইম্ফাল মনুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়বু পুং ২৪ চূপ্পা চেকশিন্না ঙাকপীবা অমদি মীতৈশিংগা য়াম্না নকশিন্ননা লোয়নবা কাঙলূপ ওইবনা ইম্ফাল মনুংদা লৈবদা থোইদোক্না চিংনবা লৈতে। মমান্নবা মীতৈ ব্রদরশিংদা ফোন তৌদুনা হংবদসু ইম্ফাল থাদোক্তনা অদুমক লৈয়ু হায়রকখি। ‘ওল মীতৈজ আর নোট ব্লেক শিপ’। লমহেন তুহেনবা খরনা অকায়বা তৌবনি ইম্ফালদা অদুম্মক লৈবদা মহাক্তি ঈশ্বরদা থাজবা থম্বনসু মরম ওইরগা অকিবা করিসু লৈতে। ব্লেক শিব হায়বসি হায় স্কুল তম্লিঙৈ মতমদা ‘শাগৈগী মৈতাল অশিবা’ হায়বা ৱাহম্বোক অসি থেংনখি। মীতৈ পূম্নমক ফত্তবা নত্তে। খরনা য়ূম মৈ থাবা, মীহাৎ মীপূন তৌবনি। মহাক খুদোংচাবা মতমদা অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নিংথিনা ঙাকপীরবা মতমদা মহাক শোয়দনা ইম্ফালদা হল্লক্তুনা লৈগনি। মহাক্কী ময়ূমদা, মশাগী পাট্রালেন্দদা লৈবদা কনানা করি তৌগনি হায়না ইম্ফালদা অমুক হল্লক্তুনা লৈনীংবগী ৱাহৈ ফোঙদোকখি। মাদা নত্তে অতৈ কুকি কয়া অমসু ইম্ফালদা হল্লক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

‘দি ৱায়র’ গী ইন্টরভিয়ুঅর কারন থাপর অমদি "MOJO STORY" গী জর্নেলিষ্ট বরখা দত্ত হোয়সি নেসনল, ইন্টরনেসনল ফিগর ওইরবা মমিং লৈরবা মীওই ঙাক্তনি। মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিগী মরমদা বরখা দত্তনা লাক্তুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফয়েং, তোর্ব্বুং অমদি কুকিশিংগী দোমিনেটেদ এরিয়া ওইরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চীংথক্তা শারিবা বঙ্করশিংদা চঙ চঙদুনা ইন্টরভিয়ু লৌখিবা অদুগা মশাগী ন্যুজ চেনেলদা থাদোরকপদনা বাইয়স ওইবা মওংদা কুকিগী ফেবরদা নেরেট তৌরগা ফোঙদোরকপা থেংনখি। কারন থাপরনা দেল্লীদা ফমদুনা লৈরগা মণিপুরদা শুক্লাক লাক্তনা কুকিগী মমিং লৈরবা ইন্টলেকচুএল কয়া মীতৈগী শক্লাইরবা প্রোফেসর, ইন্টলেকচুএল, ৱেল নোন পর্সন কয়াগা ফম্মিন্নদুনা ইন্টরভিয়ু লৌই। কুকিশিংগী ওইনদি থোৎনা থোৎনা ৱা হংলগা ঙাঙলগা মীতৈশিংদনা কাউন্টর ক্বেসন ওইনা নমহৎল্লপ ঙাঙবা, হংবা থেংনৈ। মণিপুরগী পুৱারীগা মরী লৈননা ঙাঙবা, লীবা, কুকিশিং অসি ইন্দিজিনস পিপল নত্তে, ইম্মিগ্রেন্টনি, পোপি প্লান্টেসন, বোর্দর ফেন্সিং, এন আর সী চৎনরসি হায়বদা কুকিনা য়াদবা, লানসিগী হৌরকফম, হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা লীবদা কারন থাপর কয়া তানীংদবগুম তৌই। হংসিংনা, হাওকীপনা অদু হায়রম্মী অদা হায়রম্মী হায়না মরৈ ওইনা য়েৎখৎলকই। ন্যু দেল্লী দি য়ুদা প্রোফেসর ওইবা ওজা বিমোলগসু মরৈ য়াম্না য়েৎনৈ। কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ নিশিকান্তাগদি অঙকপা মরৈনি। এম এল এনা ৱারী শাবা তোক্লসিরা, লোইশিল্লসিরা হায়বগী মতাং ফাওবা য়ৌখি। কুকিনা মাইনোরিটিনি মেজোরিটি মীতৈনা ওৎপী-নৈবীবনি হায়বরোমদা চৎখ্রগসু হৌজিক্তি মখোয় ৱাখল তারক্লে। তৌবতবু অখন্নবা চেনেল খরদদি মীতৈ মচা অমত্তগা ৱারী শানহন্নীংদবা ফাওরকই।

মথক্কী হৌদোকচরকখিবা ৱাফমদা রেভরেন্দ প্রিম ৱাইফৈগা কারন থাপরগা ইন্টরভিয়ুদা মিষ্টর ৱাইফৈনা হিষ্ট্রি লান্না তমশিনখিবসু য়াওখিব্রা খল্লি। মীগা লাইগা শম্নরিঙৈগী মতমদা মণিপুরদা পাল্লম্বা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংববু - "First king of Manipur, Nongda Lairen Pakhangba was assisted by the Kukies" মহাক্তসু নত্তনা সেভেন ইয়রস দেভাষ্টেসন, চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা অচুম্বা হিষ্ট্রিদা নিংথৌ চৌরজিৎ অমদি হিরাচন্দ্রবু চাক তাঙবা থোক্লবা মতমদা কুকি খুলদা চঙজফম পীদুনা বর্মানা লান্দারকপদগী ঙাকপী শেনবীদুনা থমখি। অসিদসু নত্তনা নিংথৌ জয়সিংগী মচাশিংদা খোংজাই ঙানবা হায়বদি Light of the Khongjai হায়না মমিং থোনবসু লৈ হায়না পনখি। কনাগুম্বা কুকি খরনদি মৈদিংঙু পাখংবগী মতুংদা মৈদিংঙু খুয়োই তোম্পোক্লা মণিপুরদা চহী ১০ পাল্লবা মতুংদা অহুমশুবা নিংথৌ ওইনা কুমজা (২৬৪-৩৬৪) চহী ১০০ চূপ্পা পানখিবা মৈদিংঙু তাউথিংমাংবু কুকিনি হায়না কংয়েৎ য়েৎপসু য়াওরি। মরমদি তাউথিংমাং হায়বসি কুকি মরোলনি। মমিংনি হায়বসিনি। কুকিনা মণিপুরদা চঙলকপগী মতাংদদি হঞ্জিন হঞ্জিন ইদুনা/ঙাঙনদুনা মীয়াম্না হেন্না খঙবীরবনি। মখোয়না শাশিন্নবা পুৱারী ইবদা হালেংবা লৈত্রি। মীয়াম্না ইখঙ খঙনরিবা কুকি রিবেল্লিয়নবু এঙলো কুকি ৱার নেরেটিভতা চোকথবা লৈত্রি। মখোয়না তোয়না শীজিন্নরবা ৱাহৈশিংদি অৱার এন্সেষ্টরিএল লেন্দ, মণিপুর অসি মখোয়গী মপা মপুশিংগী লমনি, মথ্বায় থাদোকপা কিদনা মপা মপুশিংগী টেরিটরি ঙাক্কনি হায়বসিনি। তৌবতবু ইম্ফালদা লৈবগী মহাও খঙলবা রেভরেন্দ প্রিম ৱাইফৈ খক্তদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱা শুকপন পন্দে। ইম্ফালদা শোয়দনা হল্লক্তুনা লৈগনি হায়রিবসি থাগৎনীংঙাইনি। তৌবতবু মোরেদগী, চুড়াচান্দপুরদগী, কাংপোকপীদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মীতৈশিংনা মশাগী লমদা, য়ূমদা, ইঙ্খোলদা হঞ্জিন্দুনা লৈত্রি ফাওবদি কুকিনা ইম্ফালদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংগনি হায়বসিমদি থাজবা শুক্লে লৈত্রি। রেভরেন্দ প্রিম ৱাইফৈবুদি থাগৎনীংই, মরমদি মহাক্কুম্বা কুকি ঙাক্তা ওইরম্বা তারগদি মে ৩দা কুকিনা মীতৈদা লান্দাখিবদু শুংথোক থোক্লমদবা য়াবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লাননি হায়বসিদা ককনীংঙাই শুক্লে লৈত্রবনি।

লানগী ৱাবুদি থা মরি হেনখিদুনা মঙা চঙশিল্লক্লবা অসিদা খরা খরা পাথরকপগুম তৌরে। লান লেপ্লে হায়না লাউথোক্ত্রগসু মনুংদা থরুমদি তৌনরি। ফুবালাগী কেনেল মনীংদা বি এস এফ অমদি কৌক্রক্তা সী আর পি এফ প্লেটুননা ঙাকহনবদগীদি ঙরাং নহান নুমিৎ হুমনি মরিনিসি তল্লব্রা করিনো কুকিশিং নোংমৈ, বোম কাপথরকখিবগী পাউ তাখিদ্রে। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনসু পীররোই, দি জি পি, চীফ সেক্রেটরি, লুপা ক্রোর ৫০০ নীবদসু পীবিদ্রে। পোপী করবারদা মালেম শিনথুংনা চোপ্পা নংলে। খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মগা শাগোন্নবা ভিক্টিম কার্দ শানবদসু মায়থীরে। মীতৈ কীবদগী তম্পাক্তা অফস্পা থম্বীয়ু নীরক্লে। মায়কৈ খুদিং হীরম খুদিংমক্তা তৌরুবা থবক অমত্তা মায় পাক্ত্রে। তোঙানবা লৈঙাক্কী মঙ পুমকায় কায়খ্রে। মীতৈ শি, কুকিসু শি পংকাপ্তা কাপ্লে। লান তৌনবগী কান্নবা কৈসু লৈতে অপংগী ৱানি। অদুগীসু মথক্তা অসাম রাইফলস মফম খরদগী অতোপ্পনা মহুৎ শিন্দোক্লগনিসু হায়রবনিনা মখা তানীংঙাই লৈতে। চীংথক্তগী তিৎ-তা তিৎ-তা খরা কাপথরম্বা অদুসু তোকথোক্লগা সরেন্দর তৌহৌবনা ফগনি। নৎত্রগনা করম্বা ওররোইদবা লাল্লোং অমা অমুক চত্থখিগে খল্লিবা?. ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ২৫

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

ইরমদমগী মিং ওইনা থোনবগী কান্নবা খঙলকপগা লোয়ননা লোলয়ানগী কান্নদবগী মমি তাবা হৌরকখি। শেল তান্নবা হোৎনবদা, অহল ওইশিল্লক্লগা অশংবা মতমদা পোত্থানবগী মওংদা অপোক্লোন শুবা (পাঞ্জি-মীরোল) দা খুদোংচানবা হায়দুনা এম এ (আচার্য্য), আচার্য্য হায়বসি লোলয়াননি, ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌবগা লোয়ননা, ঈনাৎকী ঈরাৎ পিবাসু ওইরক্লবা মতমদগীদি পাউচেসিদা চাংনাইনা লৈবাকপোকপা খুদিংগী ৱারেংশিং ইবদা লোলয়ান শীজিন্নদনা ইবা হৌজিক হৌজিক চত্থরি। অদুনা অপোক্লোন শুবগী থবক তৌবদা লাংফম ফত্তবদু ফনবা ইবদা ‘ঙাক্লৌ’ হায়বা ইরোলসি শীজিন্নে। মীগী মরোলদা ‘দশা’ ইরোলগা পূন্না য়াম্না তোয়না হায়নবা ‘দশা-লাংফম’ ফত্তবগীদমক ফহন্নবা/ঙাকথোক্লবা ইবদা শীজিন্নবা মীরোল ‘প্রতিকারগী মহুত্তা ঙাক্লৌ’ হায়বা ইমালোল শীজিন্নরগা ই। ঈরাৎ ঈশোন তৌবদসু মীরোল য়াওবদি অমত্তা শীজিন্নদে। অদুনা লাইরিক হৈবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা মীরোল শীজিন্নবদা য়ম্না হৈ শিংবা উৎতুনা ইবা লাইরিকশিং, ৱরেং, শৈরেং, ঈশৈ, মখল মখাগী মীরোল য়াওবা হরাও কুম্মৈশিং অমত্তা পাদে, তাদে, য়েংদে। অদুগী মহুত্তা অদুম মূত্থৎলে। অদুনা অইবগা লোয়নবা অয়াম্বদি লোলয়ান শীজিন্নবা পামদবনা লোলয়ান থিংবগী তঙাইফদবা হায়বসিদা মায় ওনশিনবা হৌরক্লে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, লৈতোন্দা পক্তুনা লৈখ্রবনিনা খঙহায় খঙজিন্দা মীরোল খরা থেৎতুনা ঙাঙবা য়াওখিবসি ঐখোয় ইশাশিংদা য়াম্না নুংঙাইজদবা অমা ওইনা খল্লক্লে। ইমা লোলদা মীরোল/লোলয়ান কয়াম য়াওশিল্লবগে হায়বসি মতাং চানা চানা ইজরক্কে, লেপ্তুনা পীবীয়ু। ঐখোয় লোইনমক লোলয়ান শীজিন্নবা তোক্লসি।

লোলয়ান্দি নত্তবা খুন্নাইদা কন্না শীজিন্নরক্লিবা ফজদবা লোল :- চক মরি লৈরিবসিগী মনুংদা মরিশুবা চক - কোনন চক/লাংব-চক অসিদা ঙসিদগী চাওরাক্লা মশাগী চহী য়াঙ্খৈগী মনুংদা লৈরিবা খুন্নাইসিগী নুপা-নুপী খরদি লাইরিক হৈরবসু লাইশু খঙদবনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই। শম্না হায়রবদা, মখোয় অয়াম্বনা মমাঙঙৈদা চৎনরকপা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, মিঙ্গৌ-থাগৌ, ফিজেৎ-চাকচা খঙদে, অখঙবা খরা য়াওরবসু খঙদবা শাশিন্নদুনা খঙদবগা পাঙ্খক্লে। খুদম খরা, মচেগী নুপাদা ‘ইবাই’ (নুপীশিংনা) কৌশিল্লগা হান্নদগী চৎনরকপা ফজখ্রবা মিঙ্গৌ ‘ইতৈ’ কৌ হায়বদা হৈনদে হায়নবনা অয়াম্বনি। য়ূম অমগী/চপ মান্নবা শাগৈ অমগী মনাওনুপী (মনাওনুপাগী নুপীনা) না মাগী নুপাগী ময়াম্বদা ‘ইতৈ’ কৌগদবদু কৌদদনা ‘তাদা/তামো’ হায়না কৌনবসি অয়াম্বা খুন্নাইসিগী ইমুংশিং অমদি শাগৈগীদা কৌনবা য়াওরিবসি অফবা নত্তে। নুপাগী মচেদা ‘ইনম্মা’ কৌবগী মহুত্তা ‘ইচে’ কৌবা, মচননুপীনা ‘ইনম্মা’ কৌগদবদা মীরোলগীদা ‘ভাবি’, মমৌনা মনেমবোক্তা ‘অবোক’ কৌনরম্বদুগী মহুত্তা ‘ইমা’ কৌবা অদুগা ‘ইকুবোক, ইকুবোক য়াইমা, ইকুতোননচিংবা কৌনরম্বদুগী মহুত্তা ‘পাবুং, মীগী মরোলগী বাবা’ নচিংবা কৌনরে হায়বা য়ারে। লোলয়ান্দি নত্তে, ইরমদমগী মমাঙঙৈদগী শীজিন্নরকপা ফজবা লোলগী শীজিন্নফম মাঙলকপসি অফবা নত্তে।

মশুনা মপা, মমা পোকপশিংদা ইপু, ইবেন হায়না কৌগদবদু ইপুগী মহুত্তা ইধৌ, অবোক কৌবদি অদুক য়াম্না ফজদবদি ওইদে হায়না লৌরবসু য়ারবদি ইপুবোক, ইবোক/অবোক হায়না কৌরবদি ঈগী মরী হেন্না চেৎশিনবনা ফগনি খল্লি।

মীতৌ তম্বদা হালেংবা লৈতবা হায়বগী মওংদা করিমত্তা খন্থদনা মমা-মপা ওইবশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিং/মচাশিংদা ‘ইমা’ হায়না কৌহনবগী মহুত্তা ‘মমি/মোম’, ‘ইপা/পাজি/পাবুং’ হায়না কৌহনবগী মহুত্তা ‘দাদি/দেদ’ হায়না করিসু খঙদ্রিবা অঙাংশিংদা কৌহনবগী চৎনবী অমা ওইরকপসি ইমালোল মীরোলগী খুদম/থৌওং অমনি হায়দবা য়ারোই। চপ মান্নবা মওংদা ‘ইনে/নেনে’ হায়বগী মহুত্তা ‘অন্তি’; ‘মাম্মা/মখুরাগী মহুত্তা অঙ্কল’; মরুপ মপাংদা ফজবা লোলদা মরুপ/ইতাও হায়বগী মহুত্তা বনধু/ভাই/ফ্রেন্দ; মী কৌবদা তাদা/মাম্মা/খুরা/ইপু/ইবেন/ইচে-চেচে/ইনে-মাম্মা/ইতৈ-ইনমা হায়বগী মহুত্তা নমহায় ওইনা ‘হায়/হল্লো/তাব্রোনচিংবা হায়নবা কয়ানি। তাবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইতবা, হৈনদবা ফাওবা মীঙ্গৌ-থাগৌ অমদি ফজদবা লোলদা পুদা মওংনি। ●

# মণিপুর তম্পাক্তা কবুইশিংনা খুন্দাখিবসি করম্বা মতমদগীনো! কয়াম কুইরবনো! - ১

লনবোন কবুই

মণিপুর তম্পাক্তা খুন্দারিবা কবুইশিং অসি করম্বা নিংথৌরোলগী করম্বা শোক-তারিখতগীনো। করম্বা মতমদগীনো! কয়াম কুইরবনো! মসিমত্তং ইবীদুনা খঙহনবীরবদি য়াম্না নুঙাইজগনি হায়বা ৱাফম অসিনি। মসিদা ঐনা খল্লি মদুদি - খঙন-খঙনা হংলক্লিব্রা নৎত্রগা তশেংনা খঙদদুনা খঙনীংনা হঙলক্লিব্রা ইথন্তা খঞ্জরবদা তুংদা ঙসিগী মীরোলনদি খঙলমদবসু য়াই। মসিগী মথক্তা চীংমী তম্মী অনীগী খুন্থোক ৱারী, লৈনরম্বা মরীশিং ইপা ইপুশিংনা তশেং তশেংনা ইবিরম্বা অরিবা পুয়াশিং মৈ থাদুনা লোইনা মাঙহনখ্রবনি অমদি অরৈবা খরসু লোইনা লোৎশিন্নখ্রে। অদুনদি ঙসিগী মরোলনা অমুক নৌহৌননা খঙমিন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীবিবগীদমক অমদি নীংশিংবীরকপগীদমক থাগৎচরি। ঐনা থেংনজবা অমদি অখঙ অহৈশিং, অহল লমনশিংদগী থিজিন হুমজিল্লুবদা ফংজবা খরমখৈ ঐখোয় পূন্না খঙমিন্ননবা মীয়ামগী মফমদা লান্থোকচরি।

তম্পাক্তা মীতৈ সলাই তরেৎ অমসুং কবুই হাও খুন্থোকপা : ‘কৌব্রু খুন্দা অহানবা’ হায়দুনা কুবুইরু (কৌব্রু) চীংদা পাল্লিঙৈ মতম অসিদা তম্পাক অসি ঈশিংনা পীক থন্না লৈরম্মী হায়। মদুবু কবুই হাওশিংনা ‘তুঙ’ হায়না কৌরম্মী। তুঙ অদুগী ঈশিং অদুনা পাথবা অনেম্বা চীং-অচেংবা মফম অমা লৈ। মফম অদুবু কবুইশিংনা হৌজিক ফাওবা ‘তুঙতেং’ হায়না কৌই। মীতৈনা মফম অদুবু ঙাপ্রুম চীংজেং হায়না কৌই। মফম অদুদা থায়না কবুইরু মীশিংনা ঙা অমসুং ঙাপ্রুম ফাবগী মফম অমা ওইরম্বনা, মীতৈগী অরিবা ৱারীদা ঙাপ্রুম-চীংজেংদা লাইশিংনা ঙাপ্রুম ফাদুনা চাই হায়রম্মী। ঈশিং অদুনা কংথরকপগা লোয়ননা কবুইরু চীংদগী তম্পাক্তা পানখি। তম্পাক্তা কুম্লক্তুনা চহী চা কয়া পাল্লবা মতমদা য়েক-শাগৈ কয়া থোরক্তুনা - মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা-ঙানবা অমসুং শরাং-লৈশাংথেম হায়না সলাই তরেৎ থোক্লা পাল্লকখি। সলাই তরেৎকী মনুংদা য়াওশিনহৌদবা মীতৈসু ওনহৌদবা ফূরুপ অদুবু কবুই-হাও হায়না খঙনখি। মদুদগী পাল্লক্তুনা ঙসি ফাওবা তম্পাক্তা কবুই খুঙ্গং কয়া পাল্লিবা অসিনি। মরম অদুনা নোংচুপ্তা কৌব্রু চীংশাং অমসুং নোংপোক্তা ইম্ফাল তুরেলনা লিলোং ফাওবা অসিনা কোনবা লমদম অসিগী মনুংদা কবুই নত্তবা অতোপ্পা চীংমী ফূরুপকী খুল অমত্তা লৈরমদবা অসিনি। অসুম্না কবুইরুদগী তম্পাক্তা ইহান হান্না খুন্দাখিবা মীশিং অদুদগী মীতৈ অমসুং তম্পাক্কী কবুই ওইখি। অদুগা কৌব্রুদগী নোংচুপ অমসুং খা থংবা চীংশাংশিংদা খুন্দাদুনা শন্দোকখিবা ময়াম অদু হৌজিক্কী তমেংলোং চীংশাং হায়রিবা লমদম অসিদা কবুই হায়না পানখি। খারোমদা শন্দোকখিবা কবুই চীংমী খরনা মোইরাং লৈবাক্তা য়াওশিনখি। মোইরাং কংলৈরোন্দা কবুই - তোম্বা অমদি থাংজিংগী শায়োননি হায়নবা কবুই সলাং মাইবা অসিনচিংবা কয়া অসি কবুইরুদগী খা পাংবা চীংশাংশিংদা মথং মথং খুন্দাখিদুনা মোইরাং খুন্নাই ওইখিবা কাঙলূপনি ।

মহৌশাদগী হৌখিবা মীশিংবু হাও হায়না মিঙ্গৌনৈ। কবুইরুদা খুন্দারকপনা মীনি হায়দুনা মখোয়বু কবুই হায়না খঙনরবসু মখোয় মশানদি হাওমৈ হায়না কৌজে। হৌজিক্কালগী কবুই লাইরিক লাইশু হৈবা কাঙবু খরনা হাও হায়বা মিং অসি পামদে, মীতৈশিংনা হন্থবা মীৎয়েংদা শীজিন্নে হায়না লৌই। অদুবু মখোয়গী পারি পুরিগী ঈশৈ অমসুং লাইশোন তিনশোল পূম্নমক্তা হাও হায়না পল্লি। কবুই, জেমৈ, লিয়াংমৈ, রোংমৈ হায়বা মিং অমত্তা লাইশোলদা পন্দে। তাঙ্খুল অমসুং মরামনচিংবা চীংমীশিংগী মরক্তা হৌজিকসু হাওমৈ হায়বসি শাগৈগী মিং ওইনা লৈরি। য়েলহৌঙৈ তম্পাক্তা অহানবা খুন্থোকঙৈ মতম অসিদদি মী পূম্নমক্না হাও হায়বা মিংথৌ অসি চৎনরম্মী। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবগী মমাগী মিং ইনুং-হাওবা-চনু হায়না অরিবা লাইরিক্তা পল্লি। পাখংবগী তাল্লোই লাইসনা-সু পোইরৈতোননা খুন্থোকপদা লাকখিবা খোঙবু অদুগী হাও নিঙোলনি হায়বা অরিবা লাইরিক্তা পল্লিবা অদুনা তাকই। মীতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু তাউথিংমাংগী (খৃ: ২৬৪) তাল্লোইগী মিং হাওনুখ কৌই। মৈদিংঙু খুই-নিঙোনবগী (খৃ: ৩৬৪) তাল্লোই হাওনুহন কৌই। মৈদিংঙু কাইনৌ ইরেংবাগী (খৃ: ৯৮৪) তাল্লোই অনীগী মিং হাওরৈমা - তমহৈবী অমসুং হাওরৈমা - পিদোনু-ফাবী কৌই। মীতৈগী অরুবা লাইরেম্বী নোংথাঙ লৈমগী মমিংসু হাওরৈমা - শমপুবী কৌএ। মৈদিংঙু ক্যাম্বা হাক্তক্তা, শকাব্দ ১৪০৭তা চৈথাবা হৌখি। কুমজা ১৪১০ চৈথাখিবা অদুগী খ্বাই হাওমু কৌই। কুমজা ১৪২৭তা হাওবা ... ১৪৩১দা হাওবা মোরিয়া, ১৪৪০দা হাওবা- খোংয়ুংবা, ১৪৭৮দা কবুই - মায়মু, ১৫৮৬তা লোইতোংবম কবুই অসিনচিংবা মীতৈগী মিং... লৈরম্বা অসিনা মতম অদুদা মখোয়সু হাওদগী হৌরকই হায়বা তাকই। মীতৈ থৌগল্লোন্দা নুপা অমনা মাগী মতুবু পনবা মতমদা ঐগী ননাই ‘হাওনুবী’ হায়না হৌজিকসু হায়নরি। চীংনা ইকোই কোইনা লৈবা মণিপুর লৈবাক অসিবু হাওরৈ হায়না কৌরম্মী। লাইরোন্দা হাওরৈ-নোংচুপ, হাওরৈ-নোংপোক, হাওরৈ অৱাং, হাওরৈ-মখা পাংবা লম হায়না শিংথানৈ। (লৈবাক অসিদা ঈশিংনা পীক থন্না লৈরিঙৈদা সোরারেল অমসুং লৈমরেলনা হি তোংদুনা কোইনা চৎলম্মী হায়বগী লৈকোইপাক কৌই হায়না অখঙ অহৈ মায়চৌনা তাকপীবসু লৈ)। অরিবা মতমদা হাওরৈ হায়না কৌনবা লৈবাক অসিদা, পাখংবনা পানবগী মমাঙদা পোইরৈতোননা খুন্থোক্লম্মী হায়দুনা পোইরৈপাক হায়নসু কৌনখি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী মমিং হাওরৈ অমদি পোইরৈ হায়না শৈথারম্মী। মৈদিংঙু খাগেম্বগী (শক ১৫১৯-১৫৭৪) মতমদসু লৈবাক অসিবু পোইরৈ কৌই। অদুনা খাগেম্বগী মমিং ‘পোইরৈ নিংথৌহনবা’ কৌরম্মী। পোইরৈপাক্কী মনুংদা সলাই তরেৎকী লৈবাক পূম্নমক মঙাং (মীতৈ) নিংথৌ মখাদা পুনশিল্লবা মতুংদা পোইরৈ অসিবু মীতৈ লৈবাক হায়নসু খঙনখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।